ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO


The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)








Vol. 49, Issue No. 174 | শগোলশেন, মেরাগী হুম্নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, September 25, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# লদাখতা চঙশিল্লকপা ষ্টেটহুদকী খোঙজংদা ৪ শিরে, ৭০ হেন্না শোক্লে
# লেহদা লৈবা বি জে পিগী ওফিস অমসুং গাড়ীশিং মৈ থাদোকখ্রে

**ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ২৪ (এজেন্সী :**

জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না কুমজা ২০১৯দা 'জম্মু এন্দ কাশ্মীর রি-ওর্গনাইজেশন এক্ট' শেমদুনা পার্লিয়ামেন্টতগী অয়াবা লৌরগা চৎনহল্লক্তুনা ষ্টেট অসিবু জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং লদাখ হায়দুনা খাইবোক তাহন্দুনা য়ুনিয়ন টেরিটরিশিং ওন্থোরকপগী মায়োক্তা লদাখপু মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইহনগদবনি অমসুং কন্সটিট্যুশনগী সিক্স সেদ্যুল চৎনহনগদবনি হায়বগী দিমান্দদা লদাখকী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদা পুলিসকা মূক্নরক্তুনা খোঙজংলোই ৪ শিরে, মীওই ৭০গী মথক্তা অশোক-অপন নংখ্রে।



লদাখপু মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইহল্লু হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট সোনম ৱাংচুকনা থা অসিগী ১০দগী হঙ্গর ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিল্লকখিবনি। মহাক্না লুচিংবা খোঙজং অসিদা পূন্না মীওই ১৫না শরুক য়াখি। অদুবু খোঙজংলোইশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ফংদ্রিঙৈগী মাঙওইননা খোঙজংলোই ১৫গী মনুংদা ২গী হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রবা মতুংদা লদাখকী মীয়াম্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# রিমসতা পেসেন্ট খরা মনম-মনম শিরকপদগী হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননা সুও মোটুদা কেস ১ লৌখৎখ্রে

## কম্মিশননা রিমসকী দিরেক্টরদা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা মেদিকেল রেকোর্দ পূন্নমক য়াওনা মরীক চুম্বা রিপোর্ট পীখৎলক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :**

ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কী থাক য়ৌনা পুখৎকেনি হায়না গভর্ণর এ কে ভল্লানা ফাওবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোক্তুনা ইন্সটিট্যুট অসিনা মশীং য়াম্না এম বি বি এস অমদি স্পেসিএলিষ্ট পুথোকপদা নত্তনা পেসেন্ট মশীং য়াম্না লায়েংবা ঙম্লকপদা শীংথানখ্রবসু হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ইন্সটিট্যুট অসিগী হোস্পিটালদা নুপী য়াওনা পেসেন্ট খরা মনম-মনম শিজিল্লকপগী থৌদোকশিং থোরকপদগী থৌদোকশিং অসিনা চৈথেং পীরবা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননা সুও মোটুদা কেস নম্বর ৩৬/১৪/০/২০২৫ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে।




কেস অসি কম্মিশনগী রেজিষ্ট্রিনা ফাইল তৌরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না রিমসকী দিরেক্টর অমসুং ইন্সটিট্যুট অসিগী হোস্পিটালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইহল্লগা মখোয়গী মথক্তা লৌখৎলকপনি।

কম্মিশননা মশানা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## আই ঈ দি প্লান্ট তৌরম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস):**

শকখঙদবশিংনা প্লান্ট তৌরম্বনি চিংনবা টি এন টিগী আই ঈ দি অমা ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা ৱাঙ্গু পি এসনা কোল্লিবা ৱাঙ্গু ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## চহী ৭৪ শুরবা অহল ১ চহী৪গী ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস):**

ঙসিদগীনা চহী ৫ রোমগী মমাঙ দিসেম্বর ১১, ২০১৯গী নুংথিলদা মতমদুদা মশাগী চহী ২ মখায় খক্তা শুরিবী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ফোটো নমগে হৌৎরিঙৈদা খোইনা চিকপদগী লায়কন্নখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস):**

ঙসি অয়ূকপুং ১০ খরা হেল্লকপদা লম্লাই এ সীগী মনুং চল্লিবা শবুংখোক ৱার্দ নম্বর ১গী নাইবি তুরেল মপান্দা এম জি নরেগাগী মখাদা থবক শুবদা শরুক ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## নোংমৈগা কোন্নানা ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা মহাবলি লম্বীগী ব্রহ্মপুর বামোন লৈকায়দগী কাংজম রাকেস (৪৮) কৌবা আর্মস স্মগ্লর অমা মোইরাংখোমগী অরিবা থুম্বুথোং মখোঙদগী মৱূ অমা য়াওবা ৯ এম এম পিষ্টোল অমা অমসুং মোবাইল ফোন অমগা কোন্নানা ফারে হায়রি।

## য়ু জি অনী ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস):**

সিক্যুরিটি ফোর্সনা হৌজিক্না ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা লৈবা চীংমৈ অৱাং লৈকায়দগী সলাম কিপজেন (৪৫) কৌবা আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অমা ঙসি ত্রোংলাওবী এরিয়াদগী টু হ্বিলর অমা অমসুং মোবাইল ফোন অমগা কোন্নানা ফারে হায়রি।

অমরোমদা ককচীং শুমাক লৈকায়গী নাওদম কৈথেলদগী নাওরেম অবিনাস (১৯) কৌবা প্রিপাককী কাদর অমা পাওনা কৈথেলগী বি টি পার্ক ময়াদগী লুপা লিশীং ৫, মোবাইল ফোন অমগা কোন্নানা ফারে হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

## দেঙ্গীগী অনৌবা কেস ১৭

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস):**

ঙসি নুমিদাংৱাইরম লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪দা দেঙ্গীগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ১৭ থেংনরে হায়রি।

কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১০, ইম্ফাল ইষ্টতা ৩, থৌবালদা ১, বিষ্ণুপুরদা ১, সেনাপতি অমসুং উখ্রুলদা ১/১ থেংনবনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# ইলেক্সন পিটিশন ৩০ হেন্না চহী ৩ লোম পন্দুনা লৈরকপা ১সুং জজ মশীং শুনা লৈত্রিবসি মীয়ামগী জষ্টিস মৎপগা মান্নে : ও জয়

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী রিজল্টকা মরী লৈনবা ইলেক্সন পিটিশন ৩০ হেন্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চহী ৩ হেন্না পন্দুনা লৈরকপা অমসুং জজ মশীং শুনা লৈতবনা কেস চথদনা লৈরক্লিবসি মীয়ামগী জষ্টিস মৎপগা মান্নে হায়না কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অমসুং হান্নগী লো মিনিষ্টর ও জয়না ফোঙদোকখ্রে।




ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা হায়, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা জুদিসিয়ারিগী থৌদাং য়াম্না চাওই। ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তদি জুদিসিয়ারিনা নীংথিনা মথৌ তৌদ্রবদি মপূং ফাবা দেমোক্রেসিনি হায়বা য়ারোই।

মণিপুরনা বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্বা ফংলবা মতুং লমদমসিদা চপ চাবা ৱায়েল পথাপ লৈরম্বগী মমি তাই অদুবু মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইনা চহী ৭৫ লৈরকপসিদা জুদিসিয়ারিদা মীয়াম্না থাজবা ৱাৎলব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওই। কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর এসেমব্লিগী মীখল করম্বা মওংদা পাঙথোকখি, ঈ ভি এম মেছিনদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# এম য়ুনা থবক লৌবদা কেজুএল, কোন্ট্রেক্ট অমসুং এনগেজ ষ্টাফশিং শরুক য়াহল্লু হায়না প্রোটেষ্ট তৌখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :** হৌজিক্না সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিনা অনৌবা পোষ্টশিং লৌননবা এদভর্টিজমেন্ট নচিংবা থোরক্লিবা অসিদা মহৈকোল অসিদা চহী খরগী মমাঙদগী কোন্ট্রেক্ট, কেজুএল অমদি এনগেজ ষ্টাফশিং ওইনা থবক তৌরক্লিবশিংগী করিয়র মাঙদনবগীদমক মখোয়বুসু এদভর্টিজমেন্ট অসিগী মতুংইন্না এপ্লাই তৌবা য়াহনবীয়ু হায়না ঙসি মহৈকোল অসিগী কেম্পসতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেজুএল/কোন্ট্রেক্ট/এনগেজ ষ্টাফ এসোসিএশননা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসি চঙশিনখিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা এসোসিএশন অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

# পি এল এগী ৪৭শুবা মপোক কুমওনদা আর পি এফকী এক্টিং প্রসিদেন্ট এম এম ঙৌবনা মণিপুর মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ :** লালহৌলূপ রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী লান্মী শঙলূপ ওইরিবা পিপলস লিবরেশন আর্মি (পি এল এ) গী হয়েং পাঙথোক্কদবা ৪৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা আর পি এফকী এক্টিং প্রসিদেন্ট এম এম ঙৌবনা মণিপুরগী মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি।

এক্টিং প্রসিদেন্ট মশামক্না খূৎয়েক পীবা চেরোল অসিনা হায়, অহানবমক্তদা ইমা লৈবাক অমসুং মীয়ামগী নীংতম লাঞ্জং অসিদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। য়াওল থৌদাং শরুক য়ামিন্নরিবা লূপ খুদিংমক্কী মরুপশিং অমসুং লানফমদা থৌদাং পাঙথোক্লিবা থৌনা ফরবা মরুপশিং খুদিংমকপু ঐহাক্না ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা তরাম্না ওকচরি।

মীয়ামগী নীংতম লান্মী পি এল এনা ইমা লৈবাক অমসুং মীয়াম নীংতম্নবগীদমক খূৎলায় পায়বা লাঞ্জং চঙশিল্লকখিবা কুমজা ৪৭ মপূং ফারক্লে। শাংলবা খোঙচৎ অসিদা মশক লাকশিনবা ৱাবা, হেক্তা লেপথোকপা ঙমদবা মওং মতৌ অমনা লাঞ্জংসিগী হৌন-মচৎ ওইনা লোয়নদুনা লাকই। মচৎ অসিদা ফীভম ময়াম অমা য়াওরগসু ঐখোয়গী য়েক্নবা ওইরিবা অসিগী ফীভম্না য়াম্না চাউবা মফম অমা কল্লগা লৈরি। অমরোমদদি মসিনা নীংতম লাঞ্জংগী মপূং ওইবা ফীভম নৈনবদা ফীভম মশক খঙদোকপা ঙম্নবগী অচৌবা মচাক অমসু ওইহল্লি। ঙসিদি মওংসিমক্না লাঞ্জং অসি করম্বা খোঙফমদা লৈরে অমসুং মায়কৈ কদোমদা ওল্লবা য়ানা লৈ হায়বদু খঙবা ঙম্বা য়াম্না অখন্নবা মতাং অমদা য়ৌরক্লে।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওবু ঙসি ফাওবদা মীয়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমা ওইনা নীংশিংনরিবা অসিগী কাউফদ্রবা মরম লৈ। মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়ানা মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা থৱায়না পোন্থা পীদুনা থেংনখিবা লান অদু তুংগী মীরোলনা ঈংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# উখ্রুলগী পঞ্জাব নেশনল বেঙ্ক ব্রাঞ্চতগী লুপা ক্রোর ১৮.৮৫ লুট তৌখিবা আই এমনা ওইরম্লে

## এন আই এনা নৌহৌননা কেস ১ লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেশন চথবা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :**

ঙসিদগীনা চহী ২ রোমগী মমাঙ নবেম্বর ৩০, ২০২৩গী নুমিদাংৱাইরমদা উখ্রুলদা লৈবা পঞ্জাব নেশনল বেঙ্ককী ব্রাঞ্চতগী মমায়-মমিৎ খুল্লগা মতিক চাবা খূৎশু-খূৎলায় পায়বা মীওই ১০ রোম্না বেঙ্ক অসিদগী লুপা ক্রোর ১৮.৮৫ লুট তৌরগা ম্যান্মাররোমদা চেনশিনখিবা থৌদোক অদু এন এস সী এন-আই এমগী কাদরশিংনা চথখিবনি হায়না পাউগী এজেন্সী অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

উখ্রুলগী ভিয়ুলেন্দ এরিয়াদা লৈবা ব্রাঞ্চ অদুদা নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৫.৪২ রোম তারকপদা মমায়-মমিৎ খুমদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নম্বোল শাবল লৈকায় মপাগী এম্বুশ

# সিক্যুরিটি ফোর্সনা প্রাইম এক্ক্যুজনি হায়বা ১ ফারে, খূৎশু খূৎলায় ফংলে : পুলিস

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১৯গী নুমিদাংৱাইরমদা নম্বোল পি এসনা কোল্লিবা নম্বোল শাবল লৈকায় মপাগী টিদ্দিম লম্বীগী মফম অমদা ৩৩-এ আরদা এম্বুশ তৌরক্তুনা নাইব সুবেদার অমা য়াওনা পর্সনেল অনী লৈখিদবা অমসুং অতোপ্পা মঙানা শোকখিবা থৌদোক্কী প্রাইম এক্ক্যুজনি হায়দুনা পুলিসনা চার্জ তৌবা পি এল এগী বেল ...মখা লমায় ৩ কলম ৬




HL-B/9881/25